# হৌজিক ঐখোয়না অকনবা ট্রেনিং পীদুনা হোৎনজরিবা অঙাংশিং অসিদি ওলিম্পিক গেমস ২০২৪গীনি



অঙোম সুরজিৎ
*(জুদো, এন আই এস কোচ)*

(ঙরাংগী মখা)

কোচ অমা ওইনা ইন্টর্নেসনল ওলিম্পিক কম্মিতিনা ওর্গনাইজ তৌদুনা পাঙথোকখিবা টেক্নিকেল কোর্সশিংদসু ঐহাক শরুক য়াজরকখ্রে। শো-দান দসু ঐহাক ফর্স্ত দিগ্রি ব্লেক-বেল্টনি। নি-দান দসু সেকেন্দ দান নি। জুদোদা এন আই এস দিপ্লোমা লোইশিনজরবা মতুংদা অতে অতে মরী লৈনবা কোর্স কয়াদসু লেপ্তুনা য়াওজরকখি। হৌজিক্তী ঐহাক ইন্টর্নেসলন কোচ অমা ওইবসু ঙমজরে।

কোচকী লাইন্দা মথং মথং চঙশিনজরকপদগী ঐহাক কুমজা ২০০৬কী নভেম্বর ২৪দগী ২৬ ফাওবা মুম্বাইগী অন্ধেরিদা তৌখিবা "ইস্পাট নেসনল জুদো চেম্পিয়নশিপ"তা মণিপুরগী টিম কোচ ওইনা ষ্টেট টিম পুদুনা চৎচরকখি। হায়রিবা চেম্পিয়নশিপ অদুদা মণিপুরগী নুপী জুদো টিমনা ৱিন্নরসু লৌরকখি। তশেংনা হায়রগদি জুদোসিদা মণিপুরগী নুপীশিং অসি য়াম্না লিঙই। মণিপুরগী ওইনা মশক নাইনা শান্নখিবী জুদোকা খরগী মমিংদি লৈখিদ্রবী এল ব্রোজেশ্বরী (ওলিম্পিয়ন), রিজা চনু, লম্বোনি, গোমতি, তোম্বী নীরুপমা, সর্জুবালা, বেবীরানী, বেমবেম, থোইনু, ইনাকখুনবী, অনিতা চনু .... অসিনচিংবনি। মখোয়শিং অসি সি আর পি এফতা থবকসু লোইনা ফঙখি। অদুগা মণিপুরগী ওইনা অহানবা জুদোদা অর্জুন এৱার্দ (২০০৪) ফঙখিবী অঙোম অনীতা চনু অসিসু ঐগী ইচননুপীনি। মাসু য়াম্না ঙন্না চহী নিপান হায়রকপা অদুৱাইদগী ঐখোয়গী দাদা অহল (চাওবা)গা ঐগনা উরিপোক্তা লৈবা ওজা খোংশেলনহাগী মনাক্তা শান্নবা চৎপদুদা মরক মরক্তা তুংইন্দুনা লাকখ্রবনি। ইচননুপী অনীতা চনুদা ইহান হান্না জুদোগী লে সুমাইনা চঙগদবনি, লঙবনা সুমাইনা লঙগদবনি হায়না তম্বীরকখিবসিসু ঐহাক্কনি। জুদো শান্নবসিদা মাদি য়াম্না থুনা ইমপ্রুভ ওইবসু ঙমখিবনি। মরমদি মহাকসি হোৎনবা য়াম্না কল্লি, মরিনসু খরা খায়। ঐনা খরা খরা তাকপীরবা মতুংদা ময়াই লম্বী স্পোর্টস একাদমিগী কোচশিংনা অকনবা ট্রেনিং তৌরগা শান্নরকখিবনি। মহাক্তী ইন্টর্নেসনলসু অদুম য়াম্না থুনা ফঙখ্রে। কুমজা ২০০১দা জর্মনদা তৌখিবা ইন্টর্নেসনল জুদো চেম্পিয়নশিপ্তা ইন্দিয়াগী মহুৎ শীন্দুনা শান্নবসু ঙমখ্রে। কুমজা



২০০৩দদি মহাক ইন্টর্নেসনল গোল্ড মেদল পুরকপগা লোয়ননা মীয়াম্না শকখঙনবা জুদোকা হায়বদু ওইরকখি। মহাক্কী স্পোর্টস এচিভমেন্টদুনা ফিফ নেসনল গেমসকী মতুংদগীদি সি আর পি এফতা থবকসু অদুম ফঙখ্রে।

মণিপুরগী ওইনা নুপীগী জুদোদা য়াম্না ফজখিবা তাঙ্ককসি লম্বোনি, গোমতি, ব্রোজেশ্বরী, তোম্বী, রিজা, নীরুপমা, বেবীরানী, অনিতা ... মখোয়না কন্না শান্নরম্বা মতমসিনি। করিগুম্বা ইন্দিয়াগী ওইনা নুপী জুদোকা নিপান খনবা তারবদি শুকশোই শোইদনা মৈতৈ নুপী মঙা নত্রগা তরুক্তী কম্পলসরি ওই। অতে অনী অহুমদুনা পঞ্জাব, হরিয়ানা, দিল্লি নত্রগা হিমাচলদগী অমমমগুম্বা য়াওই। সুমাইনা জুদোসি লাকখিবনি। ঐখোয়গী শান্নরোয়শিংনা মতম শাংনা অচৌবা মফম কন্দুনা লাকখিবা গেম মখলসি মাঙহনবা পামজদবদগী ঐহাক ইশামকসি কোচকী লাইন্দসিদা চঙজরকখিবনি।

হৌজিক অঙাংশিং ময়াই লম্বী স্পোর্টস একাদমিসিদা ট্রেনিং তৌজরিবসিসু অয়াম্বদি সেক্রিফাইস ঙাক্তনি হায়বা য়াই। থবক ফংলবা কোচশিংদি তম্বীমল লৌদে। অতে থবক ইনখাং ফংদবশিংগীদি খরা খরা থাগী ওইনা পিজে।



## রত্নেশ্বরি গোশ্বামী
## জুদোদা মীৎয়েং অমা

হায়রিবশিং অসি ঙম্লনবা সেন্টরসিদগী হৌখিবা মপান্দা থবক তৌদুনা লৈখ্রবশিংদগী থা/থাগী ওইনা লুপা লিশিং অমমম দোনেট তৌহল্লি। মখোয়সু ৱানা হোৎনরগা হৌখিবা ঙাক্তনিনা মখা থাবা শান্নরোয়শিংগীদমক খরা খরা দোনেট তৌরকউ হায়বদু মখোয়সু লোয়না য়াই। কুমজা ২০২৪গী ওলিম্পিক্তা অশানবা ভিজন অমা থল্লগা হোৎনবসিদা অঙম অঙম্বা মতেং পাঙনরকপদুনা একাদমি অসি ৱারবসু ৱানা ঙম্লনবদি চল্লাইরি। অদুবু অচৌবা শেলগী ওইবা প্রোব্লেম লাকপদদি হেক হেক নুংঙাইতবা কয়াসু মায়োক্লরি।

নুংঙাইবা ৱাফম অমনা, ময়াই লম্বী স্পোর্টস একাদমিদগী হৌখিবী নুপী জুদোকা অনী, তবাবি অমসুং লিন্থোই চনম্বম হৌজিক হৌজিক জপান্দা চথরিবা নুমিৎ ৪৫নিগী ওইবা অখন্নবা কোচিং কেম্প অমদা শরুক য়ারি। হায়রিবা জুদোকাশিং অসি কুমজা ২০২৪দা ইন্দিয়াগী ওইনা ওলিম্পিক মেদলগী পান্দম থল্লিবী প্লেয়র ঙাক্তনি।

*... মথং মথং ...*



## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০২

১) কুমজা ১৯৭০দা বোরপেটাদা পাঙথোকখিবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্টতা মণিপুরনা চেম্পিয়ন ওইখি। মদুদা শরুক য়াখিবা শান্নরোয় খরা পীরি। মসিগী মরক্তা শরুক য়াখিদবা অমগী মমিং পীয়ু। ইমোচা, বিধু, বসন্ত কবুই, লুঙ্গাইনি, কোঙাংবি।

২) হন্দক্তা বোলর অসি শীখি অমদি টেষ্ট অমদা ইনিংস অমদা ৱিকেট ১০ লৌবা ঙমখি। কুমজা ২০১৯গী জুলায়গী অরোইবা চয়োলদা লৈখিদবা মমিং চৎপা বোলর অতোপ্পা অদু কনানো? মহাক করিগীদমক মমিং চৎখিবনো? পাউখুম অনী পীয়ু?

৩) মহাক কুমজা ১৯২৮গী ওলিম্পিক্তা লুপাগী মেদল ফংখি। চহী ২০গী মতুংদা থৌরম অদুমক্তদা মহাক্না ওলিম্পিক্তা লুপাগী মেদল অমসু ফংখি। মহাক্না শরুক য়াবা থৌরম অদু ওলিম্পিক্তগী লৌথোকখ্রে। মহাক্কী মমিং পীয়ু।



৪) নাগাওন্দা পাঙথোকখিবা ইন্দিপেন্দেন্স দে ফুটবোল টুর্নামেন্টতা মণিপুরগী টিম অমনা শরুক য়ারুই। মদুদা চীংমী মপাল (৯) অমসুং তম্পাক্তগী অনী (২) য়াওখি। তম্পাক্কী শান্নরোয় অনী অদু কনা কনানো?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? →

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ইন্দিয়াগী দিবিস সারন অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী এম ইবদেন জিনান ওপনগী দবলস ফাইনেল য়ৌখ্রে

জিনান, সেপ্টেম্বর ০৬ (এজেন্সী)ঃ

চাইনাগী সিটি জিনানদা পাঙথোকপা এ টি পি চেলেঞ্জর টুরগী মনুংদা চনবা জিনান ইন্টর্নেসনল ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী দবলস কাংলুপ্তা নম্বর ১ সিদেদ ওইরিবা ইন্দিয়াগী দিবিস সারন অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী এম ইবদেন ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ইবদেন অমসুং দিবিস সারননা ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেলদা ৪শুবা সিদেদ পেয়র ওইরিবা ইন্দিয়াগী সকেট মাইনেনি অমসুং জিবন নেদুনসেজিয়ানবু ইকোম কোম্না ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬-৪, ৬-২দা মায়থীবা পীখি।



মখোয়না ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবা সাউথ কোরিয়াগী পেয়র জে এস নাম অমসুং এম কে সোংনা সেমি ফাইনেলদা চাইনাগী পেয়র জি গাও অমসুং আর হুৱাবু ৬-২, ৬-২দা থোইরমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা নম্বর ১ সিদেদ শান্নরোয় ইন্দিয়াগী প্রজনিস গুনেশ্বরনবু ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থীবা পীরম্বা জপানগী টুর্নামেন্ট অসিগী তরেৎশুবা সিদেদ শান্নরোয় ওইরিবা গো সোদানা সেমি ফাইনেলদা স্পেনগী এনরিক লোপেজ পেরেজগা লম্বা তৌনরগনি।

সোদাগা গুনেশ্বরনবু অকনবা লম্বা অমদা ৭-৬ (৭-২), ৩-৬, ৬-৩দা মায়থীবা পীরম্বনি। অমরোমদা টুর্নামেন্ট অসিগী ১১শুবা সিদেদ স্পেনগী এন্রিক লোপেজনা চাইনাগী লি জেবু ৬-৩, ৬-৭(৫-৭), ৬-৩দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখিবনি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা সেমি ফাইনেলদা অনীশুবা সিদেদ ওইরিবা সাউথ কোরিয়াগী কোৱান সুন রু অমসুং চাইনাগী ঝাং ঝিঝেনগা লম্বা তৌনরগনি।

সুন রুনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেলদা রসিয়াগী তেমুরাজ গবাসভিলিবু ৩-৬, ৬-৩, ৬-৪দা থোইরমখি। অদুগা ঝিঝেননা ওষ্ট্রেলিয়াগী মেক্স পর্সেলবু ষ্ট্রেট সেট ২দা ৭-৬ (৭-৩), ৬-১দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখি।

# নম্বর ১ সিদেদ চৌ তিয়ন সেননা সেমি ফাইনেলদা ইন্দোনেসিয়াগী সেহর হিরেন রুষ্টাভিটোগা শান্নরগনি

YONEX CHINESE TAIPEI OPEN 2019 03-08 SEPTEMBER

টাইপৈ সিটি, সেপ্টেম্বর ০৬ (এজেন্সী)ঃ

টাইৱানন্না য়ুম্বু ওইদুনা লৈবাক অদুগী কোনুং টাইপৈ সিটিদা লৈবা টাইপৈ এরেনাদা থা অসিগী ৩দগী হৌরকখিবা য়ু এস দোল্লর ৫০০,০০০গী শেলগী মনা লৈবা বি দব্লীয়ু এফকী মখাদা পাঙথোকপা সুপর ৩০০ লেভেলগী টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা চাইনিজ টাইপৈ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলস ক্বার্টর ফাইনেলদা মায় পাক্তুনা নম্বর ১ সিদেদ য়ুম্বু লৈবাক অদুগী চৌ তিয়ন সেননা ইন্দোনেসিয়াগী সেসর হিরেন রুষ্টাভিটোগা লম্বা তৌনরগনি।





নম্বর ১ সিদেদ ওইরিবা চৌ তিয়ন সেমনা ঙসি অথেংবদা শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা মলেসিয়াগী জে দব্লীয়ু সিমবু ২১-১১, ১৫-২১, ২১-১৭দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌরকপা ঙমখি।

চৌ তিয়ন চেননা সেমি ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবা সেসরনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেলদা থাইলেন্দগী টি সেনসোমবুনস্কুপু ২৬-২৪, ১৮-২১, ২১-১১দা থোইরমখি।

অতোপ্পা নুপাগী সিঙ্গলস ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল লম্বা তৌনগদৌরিবা শান্নরোয়শিং অদুদি সাউথ কোরিয়াগী হিয়ো ক্বাং হি অমসুং জপনাগী কোকিৱাতানবেনি।

ক্বাং হিনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেলদা ফ্রান্সকী টি রোজেলবু ২১-১৭, ২১-১৪দা মায়থীবা পীখি। অমরোমদা জপানগী কেৱতানবেনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেলদা লু সি ঐচপু ২১-১৩, ২১-১৯দা থোইরমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলকী কাংলুপ্তা সাউথ কোরিয়াগী আন সিয়ং অমসুং সুং জি হিয়ুননা অহানবা সেমি ফাইনেল থেংনগনি। অদুগা অনীশুবা সেমি ফাইনেলদনা টুর্নামেন্ট অসিগী ২শুবা সিদেদ কানাদাগী মিসেল লি অমসুং থাইলেন্দগী সুপানিদা কাতেথোংগা শান্নরগনি।

মিসেল লিনা ক্বার্টর ফাইনেলদা থাইলেন্দগী সাইৱানবু থোইখি। কাতেথোংনা ইন্দোনেসিয়াগী ফিত্রিয়ানিবু মায়থীবা পীখি। অদুগা আন সি য়ংনা থাইলেন্দগী জিনাপোলবু অমসুং সুংনা ইন্দোনেসিয়াগী তুন জুংবু মায়থীবা পীরমখি।

# য়ু এস ওপনগী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা সেরেনা ৱিল্লিয়মস অমসুং বিয়ানকা এন্দ্রিস্কু লম্বা তৌনরগনি

us open

ন্যু য়োর্ক, সেপ্টেম্বর ০৬ (এজেন্সী)ঃ

নুপীগী টেন্নিসকী লমদা গ্রান্স স্লাম টাইটল ২৩লক লৌবা ঙম্লবী য়ু এস এগী সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা মহাক্কী ২৪রক শুবা রেকোর্দ ওইগদৌরিবা টাইটল লৌনবগীদমক চহী অসিগী অরোইবা গ্রান্দ স্লাম টুর্নামেন্ট ওইরিবা য়ু এস ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা কানাদগী বিয়ানকা এন্দ্রিস্কুগা লম্বা তৌনরগনি।





সেরেনা ৱিলিমসনা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেলদা ৫শুবা সিদেদ ওইখিবী য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনাবু য়াম্না কোম্না ষ্ট্রেট সেট ২দা ৬-৩, ৬-১দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌখি।

মহাক্না ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবী শান্নরোয় অদু ১৩শুবা সিদেদ শান্নরোয় স্বিজর্লেন্দগী বেলিন্দা বেন্সিকপু মায়থীবা পীরম্বী ১৫শুবা সিদেদ কানাদাগী বিয়ানকা এন্দ্রিস্কুনি।

এন্দ্রিস্কুলনা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা স্বির্জলেন্দগী বেলিন্দা বেন্সিকপু য়াম্না অকনবা লম্বা অমদা ৭-৬ (৭-৩), ৭-৫তা থোইবা ঙমখি। কানাদাগী শান্নরোয় বিয়ানকা এন্দ্রিস্কুলনা মহাক্কী করিয়রগী অহানবা গ্রান্দ স্লাম টেন্নিসকী ফাইনেল শান্নগদৌরিবনি। মহাক্না ঙরাং সেমি ফাইনেলদা মায়থীবা পীরম্বী স্বিজর্লেন্দগী বেলিন্দা বেন্সিক্না টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙ চহীগী চেম্পিয়ন জপানগী নাওমি ওসাকাবা মায়থীবা পীরম্বনি।

য়ু এস ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী ফাইনেলদা নম্বর১ সিদেদ কলম্বীয়াগী জোন সেবেসন কবাল অমসুং রোবার্দ ফারানা ৮শুবা সিদেদ স্পেনগী মার্সেল গ্রানোলর্স অমসুং অর্জেন্টিনাগী হোরাসিও জবালোসকা লম্বা তৌনরগনি।

কবাল অমসুং ফারানা ঙরাং অথেংবদা গ্রেট বৃটেনগী জেমিমুরে অমসুং নিল স্কুপস্কিগী পেয়রবু ৭-৬(৭-৫), ৭-৬ (১০-৮)তা মায় পাক্তুনা ফাইনেল য়ৌরকখি। মখোয়গী লম্বা ওইগদৌরিবা গ্রানোলর্স অমসুং জবালোসনা সেমি ফাইনেলদা জর্মনিগী পেয়র কেবিন ক্রাৱিটস অমসুং এন্দ্রি মিয়সপু ৭-৬ (৭-২), ৭-২ (৭-৫)তা মায়থীবা পীরম্বনি।

# এসিয়ন গেমস গোল্ড মেদলিষ্ট অর্পিন্দর সিংহ ইন্দিয়ান গ্রান্দ প্রি কম্পিটিসন ২০১৯দা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিদ্রে

পটিয়ালা, সেপ্টেম্বর ০৬ (এজেন্সী)ঃ

পঞ্জাবকী পটিয়ালাদা পাঙথোকপা ইন্দিয়ান গ্রান্দ প্রি কম্পিটিসনগী ষ্টেজ ৬তা এসিয়ন গেমসকী গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখ্রবা অর্পিন্দর সিংহ গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিদ্রে। ইভেন্ট অদুদা কেরলাগী য়ু কার্থিক্না মকোক ওইখ্রে।



মশাগী চহী ২৬ শুরবা এসিয়ন গেমসকী গোল্ড মেদলিষ্ট অর্পিন্দর সিংহনা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা লখনৌদা পাঙথোকখিবা নেসনল ইন্টর ষ্টেট এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ্তা ত্রিপল জম্প ইভেন্টতা মিটর ১৬.৮৩ চোংদুনা গোল্ড মেদল ফংখিবনি।

অদুবু ঙরাং পটিয়ালাগী ইন্দিয়ান গ্রান্দ প্রিদা হায়রিবা ইভেন্ট অদুমক্তদা মিটর ১৬.৩৫ খক চোংলগা সিলভর মেদল ফংলগা কেরলাগী য়ু কার্থিকনা মিটর ১৬.৬৯ চোংলগা গোল্ড মেদল ফংখি। ইভেন্ট অদুগী ব্রোঞ্জ মেদল অদুনা টমিল নাদুগী মুহমদ সলাউদ্দিননা মিটর ১৬.৩৩ চোংলগা ফংখি।

পনবা য়াবদি, অর্পিন্দর সিংহ থা অসিগী ২৮দগী কটারগী কোনুং দোহাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াবা ঙম্লরোই। মরমদি চেম্পিয়নশিপ অদুগী ক্বালিফায়িং ষ্টেন্দর্দ অদু মিটর ১৬.৯৫নি। লোয়ননা ক্বালিফায়িংগী মতম অসি ঙসি নোংয়াইদা লোইবা মরম্না মহাক্না অতোপ্পা কম্পিটিসনদা য়াওরগা ফজবা ঙম্লবসু কান্নবা লৈররোই।

ইন্দিয়ান গ্রান প্রি অদুগী নুপাগী মিটর ১০০গী লমজেলদা বিহারগী কুসকুমারনা সেকেন্দ ১১.৪৮তা মকোক ওইখি। পনবা য়াবদি, নুপীগী কাংলুপ্তা ওরিষাগী দুতি চান্দনা সেকেন্দ ১১.৪৩ চেল্লগা মকোক ওইখিবা অদুনা ফজবা হেন্দুনা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকীদমক ক্বালিফাই ওইবগী তাঞ্জা অমা লৈরি।

# ইন্দিয়া 'এ'না সাউথ অফ্রিকা 'এ'বু রন ৩৬তা ৫শুবা অন ওফিসল ওইবা ৱান দে মেচ থোইদুনা সেরিজ লৌখ্রে

টিরুবনন্থপুরম, সেপ্টেম্বর ০৬ (এজেন্সী)ঃ

সাউথ অফ্রিকা 'এ' অমসুং ইন্দিয়া 'এ' ক্রিকেট টিমনা টামিলনাদুগী টিরুবনন্থপুরমদা লৈবা গ্রিন ফিল্ড ইন্টর্নেসনল ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা সেরিজ অসিগী ৫শুবা অমদি অরোইবা মেচ অদু নোংনা মরম ওইরগা ওভর ৫০ শান্নগদবা অদু ওভর ২০গী মেচ ওইনা শান্নবদা ইন্দিয়া 'এ'না রন ৩৬তা মায়থীবা পীদুনা সেরিজ অদু য়াম্না চাওনা মেচ ৪-১দা লৌখ্রে।



ঙসিগী মেচ অদু ইন্দিয়া 'এ'না টোস ঙমদুনা হান্না বেটিং তৌখি। মদুদা ইন্দিয়াগী ৩শুবা বেটচমেন সঞ্জু সামসননা য়াম্না ফজবা মওংদা শুপ্পগী বোল ৪৮না সিক্স ৭ অমসুং ফোর ৬ য়ৈদুনা রন ৯১ লৌখিবা অদুনা ইন্দিয়া 'এ'গী ইন্নিংস অদুগী খ্বাইদগী মরু ওইবা পার্ফোমেন্স ওইখি। টিম অদুগী ওপনর সিখর ধৱননা শুপ্পগী বোল ৩৬তা সিক্স ২ অমসুং ফোর ৫ য়ৈরগা রন ৫১ লৌরম্বা অদুনা টিম অদুগী অপুনবা স্কোর ২০০ য়ৌবদা চাওনা মতেং পাঙখি।

ইন্দিয়া 'এ'গী কেপ্টেন শ্রিয়াস আয়রনা বোল ১৯দা সিক্স ১গা ফোর ৫ য়ৈদুনা রন ৩৬ লৌরম্বা অদুসু ইন্দিয়া 'এ'গী ইন্নিংসকী মরু ওইবা স্কোর ওইখি।

মায় পাক্লবা সাউথ অফ্রিকা 'এ'না রন ২০৫ লৌনবা হোৎনবদা ওভর ২০দা ৱিকেট ১০মক আউট ওইরগা রন ১৬৮ খক লৌদুনা মেচ অদু ইন্দিয়া 'এ'না রন ৩৬তা থোইখি। সাউথ অফ্রিকা 'এ'গী মায়কৈদগী ওপনর রিজা হেন্দ্রিক্সনা বোল ৪৩দা ফোর ১০ য়ৈরগা রন ৫৯ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি। ৪শুবা বেটচমেন কায়ল ভেরিননা বোল ২৪দা সিক্স ৪ অমসুং ফোর ৩ য়ৈদুনা রন ৪৪ লৌখি। অতোপ্পা বেটচমেনশিং ফজবা ঙমখিদবদগী ইন্দিয়ানা মেচ অদু থোইদুনা সেরিজ লৌখি।